# সঞ্জিৎ, রবিনা মীহাৎকী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩(এস এন এস) ঃ কুমজা ২০০৮ গী জুলাই ২৩ দা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ময়োলদা শাজি ন্নবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মীহাৎ থিনা হাৎতোকপিখ্রবা রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ লৈখিদবগী ১০ রকশুবা নীংশিং কুমওনগী থৌরম ঙসি ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপুনবা লূপ অমসুং জে এ সি এগেনষ্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ টি ঐচ রবিনা এন্দ সি ঐচ সঞ্জিৎ অনীনা পূন্না শীন্দুনা লময়ানবা শঙলেন দা পাঙথোকখ্রে। নীংশিং কুমওন থৌরম অদুদা অপুনবা লূপকী কো ওদিনেটর ফুলিন্দ্রো কোন্সম্মা, য়ুম্নাম রতনকুমার, জয় চীংঙাখম, অমকিলগী ভাইস প্রেসিদেন্ট এল ঙানবী, পোইরৈ লৈমরোলগী প্রেসিদেন্ট এল মেমচৌবী অমসুং কৱাগী প্রেসিদেন্ট টি ঐচ কুমুনা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

কুমওন থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা অনীগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্লবা মতুংদা থৌরম অদুগী ৱারোল পীরদুনা অপুনবা লূপকী কো ওদিনেটর ফুলিন্দ্রা কোন্সম্মা হায়, কুমজা ২০০৮ গী এপ্রিল ২৩ গী এপ্রিল ২৩ দা থোকখিবা থৌদোক অসি ঙসি ফাওবা মীয়ামগী থম্মোয়দা পেন্দবা নুংঙাইতবা ফাওদুনা লৈরি। লমদম অসিদা অফসপাগী মরুমদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লানহৌবা নমথদবগী নমাদা ফেক এনকাউন্টর কয়া চখদুনা তুংগী য়ুম্বীরেল কয়াগী পুন্সি মাংখ্রে। লোয়ননা লমদম অসিগী চনুরা কয়াবুসু নুপী ওইবীগী ইজ্জৎ মাংহনবীদুনা মীহাৎ থিনা হাৎপিখিবগী থৌদোক কয়া লৈখ্রে। নুংথিল পোবোপতা শাজি ন্নবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা সঞ্জিৎ অমসুং রবিনা মীহাৎপু য়ানিংদা ফোঙদোক্কুনা মীয়াম্না অকনবা ইহৌ কয়া চঙশিন্দুনা মীহাৎ অদুদা চেন্নবা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়দুনা লাক্লবসু ঙসি ফাওবা অচুম্বা ৱায়েল ফঙবা ঙমদ্রি। মতমদুগী লৈঙাক্লসু সি বি আই দা শিন্নদুনা মীহাৎ অদুদা চেন্নবা সেক্যুরিটি ফোর্স চৈরাক ফঙহন্নবা থিগৎখ্রবসু করিসু কান্নদ্রি। অসিদসু নত্তনা তেহলকানা থৌদোক অদু শাজিন্নবা খূৎ থোক্লবনি হায়বগী ফোটোনচিংবা মীয়ামদা উৎথোকপদা নত্তনা থৌদোক্তুদা মশামক্লা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎপনি হায়জবা হেরোজিৎনসু মরিক চুম্বা ৱারী কয়া লিথোক্লবা ফাওবদা অসুক কুইবা চহী ১০ অসিদা মরাল লৈবা খুদিংমক পুথোকপা ঙমদবা হায়বসি লাইবক থিবনি।

২০১৭ গী বি জে পি গী ভিজন দোক্যুমেন্টদসু ফেক এনকাউন্টরদা হাৎখিবা ময়াম অদুগী চপ চাবা ৱায়েল পুরকহনগনি। লোয়ননা থা অমগী মনুং দা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিং প্রেসর পীদুনা মপুং ফানা ৱায়েল ফঙনগনি হায়না য়াওখিবনি। অদুবু পাল্লিবা লৈঙাকঅসিনসু ঙসি ফাওবা তুমিন্না লৈশিনবা অসি লাইবক থিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

সঞ্জিৎকী অপোকপী চুংখাম তরাতোম্বীনা থৌরমদুগা মরী লৈননা হায়, ইচানুপা সঞ্জিৎপু তমথিনা হাৎপিখ্রবা মীহাৎ অদুগী চপ চাবা ৱায়েল অমফাওবা চহী ১০ ফাওবা পুথোকপা ঙমদবসে অথুবা মতমদা পুথোকহন্নিংই। মমা অমা ওইনা হিংলিঙৈ মতমসিদা ইচাগী মীহাৎতা চেন্নবশিং চৈরাক পীবদো উনিংই। মতম মতমগী পাল্লিবা লৈঙাক অসি লাইর অশোন অনাগী মীচং ওইবিদে হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

# মহৈরোই লৈখিদবগী মতাংদা লৈঙাক্লা তুমিন্না লৈশিনবা লাইবক থিবনিঃ কে ঐচ জয়কিষন

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (এস এন এস)ঃ ষ্টেন্দার্দ রোবার্ঠ হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী বোর্দিংগী কাদা মহৈরোই অমা থৌরি য়ানলগা শিরম্বগী মতাংদা লৈঙাক্লা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈবা অসি লাইবক থিবনি হায়না এম এল এ কে ঐচ জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি খোয়াথোং পুখ্রি মপাল কম্যুনিতিহোলদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্লা হায়, মণিপুর অসি করি ফিভমদা লৈরিবগে হায়বসি অঙকপা ওইরে। মহৈরোই অমা মফম মরাং খঙদবা মীশিদা লৈখিদবা অসি চয়োল অমা মপুং ফারে। মসি ফাওবদা লৈঙাক্লা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি।

কনফার্ম তৌদবা পাউ অমদা মহাক্কী মীশি অসি মশা মথন্তা শিজবনি হায়না তাই। অদুবু মশা মথন্ত শিজবা তারবদি মদুগী শিজবগী মওং অদু করি ওইগদগে। মহৈরোই অদুগী লৈরিবা চহীগী ফিভম অদুদা শিনিংবগী ৱাখল ফাওরমগনি থাজদে, মশা মথন্ত শিজবা অসি করম তৌই হায়বা ফাওবা খঙলমগনি থাজদে। পুন্সিগী অৱা নুঙাই মশক খঙদ্রিবা মতম অমনি।

মতম অসুক কুইরবা অসি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা য়াম্না থৌনা ফনা ৱা অমত্তা ঙাঙবা ঙমদবা করিগীনো হংখি। লৈঙাক্লা জে এ সিগী দিমান্দগী মতাংদা করি খন্নবীবা লৈরবগে হায়খি।

থোক্লিবা থৌদোক অসিদা লৈঙাক্লা ইন্টরেষ্ট লৌদে। থৌদোক থোকপা নুমিত্তা ইমুং মনুংগী মপা মমা চঙহন্দবা, পাউমীশিং ফাওবা চংহন্দবা অসি করিগুম্বা খরা ময়াম্না খঙখ্রগনি উখ্রগনি হায়বগী মওংদা লৈবনি। লমদম অসিগী মচিন তুমখৎলক্লিবী মহৈরোই অমা মাঙববুদি ফম মুন্নবনা হেন্না লুম্না লৌই হায়বগী মওংদা চুপ্লি পায়রি। ইরাং হৌরক্লগানা পুলিস থাজিল্লগা বোম তোপ টিয়ার গ্যাস কাপশিনগনি হায়বগী ৱাখল্লোন অদু থাদোকপা তাই।

মমাঙদা অচৌবা থৌদোক ময়ামদা ষ্টেটকী ইশুদা সোসিয়েল মেদিয়াদা কম্মেন্ট য়াম্না পীবা মীওইশিং থৌদোক অসিগী মতাংদা তুমিন্না লৈশিল্লি। মহৈরোই লূপ খরা নত্তনা ইশু অসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মায়কৈদগীসু থৌদোক অসিদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্লককপা লৈতবা অসি অঙকপা ফাউই।

মহৈরোই অমা বোর্দিংদা লৈখিদবা অসি ইচম চম্বা উচি অমা শিবগুম্না লৌনরক্লে। মসি হকচিন্না লৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি। ঐগী ঐগী কান্নবা ফংগদবা লৈরবদি শিব নাবা খঙদবামখৈ হোৎনবগী ফিভম অমদা চখরক্লি।

মরম অসিনা লৈঙাক্লা হৌজিক লৈরিবা চৎনবী অসি য়েংশিনবা চাই। থৌদোক অসিদা য়াম্না শক্তি লৈরবা অচৌবা ফোর্স অমা চেন্নরব্রা হায়বদু য়েংশিল্লি।

মীশি অসিগী মতাংদা মহৈরোই লূপশিংনা হৌবা, জে এ সিনা হৌবদসু মচিন মেন্নবা হোৎনরি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি। লৈঙাক অসিনা দিক্টেটরগী রুলদা লৈঙাক চল্লাইগনি হায়বসিদি মীয়াম্না যাবা ঙম্লোই।

লৈঙাক অসিনা খ্বাইদগী চাউরবা ইশু অসি করিসু লৈতবা ইশু অমগুম্না খন্দুনা লৈরিবা অসি খ্বাইদগী অঙকপা অমনি। লৈঙাক অসিনা মীহাৎ অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা করিগুম্বা অরোৎপা অমত্তা লৈতে হায়বা লৈরগদি জে এ সিনা দিমান্দ তৌরিবা সি বি আইদা কেস অসি শিন্নবগী ৱাফম অসি শিন্নবীরো হায়খি। মসিদগী হেন্না শাথিবা মীশি কয়াদা চেন্নবশিং মণিপুর পুলিসনা ফাগৎপা ঙমখি। চয়োল অমা হেল্লবা ফাওবদা মীশি অসিগী মতাংদা করিগুম্বা অমত্তা লৌখত্তবা অসিদি থিগৎতনবা হোৎনবগা চপ মান্নে হায়খি।

মহৈরোই লৈখিদবা অদুদা পুলিসনা থিগৎহন্নিংদে হায়বসি থৌদোক অদুনা তাকপনি। থৌদোক থোকপা নুমিত্তা মেদিয়া চংহন্দবা, মমা মপানা মচাগী হকচাং য়েংনবা তৌবদসু চংহন্দবা অসিনা করিগুম্বা খরদি লৈরে হায়বা তাকপনি। মীশি অসি মহৈরোই অমা শিবা ওইনা উবিয়ু হায়খি। লৈঙাক্লা থিগৎপা কিরগনা সি বি আইদা শিন্নবিখো হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

# এম ঐচ আর সিনা চহীসিদা কেস ১১৭ লৌখৎখ্রে দি জি পি উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে ঃ খাইদেম মনি

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (এস এন এস)ঃ চৎলিবা চহী ২০১৯ হৌরকপদগী ঙসি ফাওবগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনননা কেস ১০৯ মঅসুং সু মোটো কেস ৮ পুন্না কেস ১১৭ লৌখৎখ্রে। ঙরাং মণিপুর পুলিসকী দি জি পি অমসুং মকোকথোংবা পুলিস ওফিসিয়েলশিং উন্নদুনা হ্যুমেন রাইটসকা মরী লৈনবা কেসশিংদা পুলিসনা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চ্যারমেন খাইদেম মনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্লা হায়, ঙরাং দি জি পিগা উন্নখিবা অদুদা দি আই জিদগী তাদবা পুলিস ওফিসিয়েলশিং য়াওখিবনি।

ঙরাং উন্নবা অদুদা ষ্টেট অসিদা নোংমা কাঙদনা থোক্লিবা ক্রাইম ময়াম অসি য়েংলগা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা ইনভেষ্টিগেসন ৱিং অমা তোঙান্না থম্বীদুনা লো এন্দ ওর্দর অমসুং মীফা মীফুন তৌবা কাঙবুগা পুনশিন্নদনা থম্বীনবা ৱাফম দি জি পিগী মায়কৈদগী য়ানিংবা ফোঙদোরকখি।

মসিগী থবক অসি পুলিস দিপার্টমেন্টনা শেম শারি লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টতদি মসিগী থবক অসি হৌখ্রে হায়না ফোঙদোরকখি হায়খি।

পুলিস হায়বসি হ্যুমেন রাইট প্রোটেক্টর অমা ওইনা মীওইবগী হক কন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা হ্যুমেন রাইটস সেল অমমম হাংদোক্লবা কম্মিসনগী মায়কৈদগী পীবা সজেসন দি জি পিনা মদু হাংদোক্লবা প্রোসেস তৌবা হৌরে হায়না ফোঙদোরকখি হায়খি।

পুলিস পার্সোনেলশিংগী ওইনা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসনগী মতাংদা খঙমিন্নবগা লোয়ননা পুলিসনা হিরম অসিদা মতেং পাঙবীনবা ৱাফম হৌদোকপদা চহী খুদিংগী ওইনা পুলিস পার্সোনেলশিংগী ওইনা দিবেটিং কম্পীতিসন পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্তা লৈরিবা মকোকথোংবা পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা ফম্লিবা পুলিস হেদক্বার্টর অসি মওং তাদনা লৈবা অসি অথুবা মতমদা অমা শাগৎনবা রিকমেন্দ তৌরগনি হায়খি।

ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসনগী কেসশিং অথুবদা ৱারোইশিন পুরকপা য়ানবা চার্জ সিট থুনা থাগৎনবা ৱাফমসু পুথোকখি। লোয়ননা কম্মিতিনা মমাঙদা রিকমেন্দ তৌখিবা ৱাফমশিং থবক ওইনা ওন্থোক্তবগী মতাংদসু ৱাফমশিং থল্লমখি হায়খি।

মতম অমদা পুলিসনা মীয়ামদা মীওৎ মীনৈ চত্থবগী চাং য়াম্না হন্থরে। মফম মরাং খঙদবা থৌদোকশিংগী চাং য়াম্না হন্থরে। মহাক্লা অথুবা মতমগী মনুংদা জি রিবামদা চত্তুনা মফম অদুগী লম্বী থোং, মীয়ামগী য়ূম্লে কৈরে নচিংবগী ফিভম য়েংশিল্লুগনি হায়খি।

মহাক্লা হায়, ষ্টেন্দার্দ রোবাঠ হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই অমা লৈখিদবা অদুগী মতাংদা মনিনা হায়, থৌদোক অসিগী মতাংদা থিদোক্লদৌবশিংগী মনুংদা করম তৌনা থৌরি য়ালহনবনো হায়বনচিংবা থিগৎকদৌরি হায়খি।

## দি জি ভিজিলেন্স

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুর পুলিসকী সেনিয়ার আই পি এস ওফিসার প্রমোট অস্থানা দাইরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিস (ভিজিলেন্স) ওইনা প্রমোসন পীখ্রে। মহাক্লা ফম অসি পুবগা লোয়ননা মণিপুর ভবনগী ও এস দি ওইনসু খুদক্তগী থবক পুবা হৌগনি হায়না মণিপুর লৈঙাক্লা ঙরাং থোকখিবা য়াথং অমনা হায়রি।

## শ্যামকুমার মিনিষ্টর ওইনা লৈথবা...

*লমায় ১গী মখা...* সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অমসু কোর্ট অসিনা য়েংশিনখি। মসিদা সুপ্রিম কোর্টনা স্পিকরনা টেম্থ সেদ্যুলনা পীরিবা পৱার অমসুং ফঙ্কসন অদু পাঙথোকপা পাঙথোক্তবগী মতাংদা ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২২৫ কী স্কোপ অদু নৌহৌনা য়েংশিল্লবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লি।

সুপ্রিম কোর্টনা স্পিকরগী থবক থৌদৌগী মতাংনা পীখিবা ওবজার্ভেসন অমা পল্লদুনা কোর্টনা ফোঙদোকখিবদা, দিসক্বালিফিকেসনগী পেটিসন স্পিকরনা থবক লৌখৎতবা অমদি ৱারেপ লৌদবগী মতাংদা কোর্ট অসিনা মতম খরগী ওইনদি ওর্দর অমা পাস তৌবদি মতাং চাখিরোই হায়না লৌই। মসিগীসু মথক্তা 'জুদিসিয়ারি দিসিপ্লিন অমদি প্রোপাইটরি' না মরম ওইদুনা কোর্ট অসিনা শ্যামকুমার (রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ৩) না পায়রিবা মিনিষ্টরগী পব্লিক ওফিস অসি লোনা য়াদবনি লাউথোক্লবা 'ক্যু ৱারেন্টো' রিট অমা ইশুদি তৌনিংদ্রে।

## ঐহাক্তি নরেন্দ্র মোদিগী তুংইনবনি...

*লমায় ১গী মখা ...* অশোয়বা লৈরম্বনা, রুলস থুগায়রগা থবক তৌরম্বা ময়াম্না কোর্টতা চৎখ্রগা থবক তৌবদা অপনবা ওইদুনা লাক্লিবনি। লেবরগী বোর্দ লৈতদুনা শিন্মীশিংদা য়েন্থোক্কদবা পোৎলমশিং ফংহনবা ঙমদনা লাক্লি। থম্মোয় শেঙদ্রবা মনুং মপান ফাওনা থবক তৌদ্রবদি থবক তৌবা ঙম্লোই। মমাঙদা মোৎলম্মী হায়দুনা ঐখোয়সু মোৎলবদি চাউখৎপা ঙম্লোই। অৱা অনা কয়াগী মতেং পাঙনবগীদমক স্কিম কয়া পুথোক্লিবনি।

মমাঙদা অঙ্গনৱাদি সেন্টর শাবদা করম্বা মফম চাবদা শারম্বগে। মীয়ামগা তান্নরগা থবক তৌবা চঙই। মীয়াম্না মতেং পাঙলবদি অচুম্বা শোয়দনা ফংহনবা ঙমগনি।

লৈঙাক্লা ইমুং খুদিংগী অফবা ঈশিং পীথক্লবা নরেন্দ্র মোদিনা চংশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি থবক্তা ওন্থোরক্লদৌরে হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ভারতিয় মজদুর সঙ্ঘ মণিপুর ষ্টেটকী প্রেসিদেন্ট মরেম কাপিশুইনা থৌরম মপু, জেনেল ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী, নোর্ঠ ইষ্ট সুনিল কিরৱাই অমসুং বি এম এসকী নোর্ঠ ইষ্ট ইন চার্জ চ্যারমেন আর এ সি দত্তোপন্ট থাঙ্গদি নেসনেল বোর্দ ফোর ৱার্কর এদুকেসন এন্দ দিভলপমেন্ট, মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট রিজনেল দাইরেক্টোরেট এন তোম্বা সিংহনা ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

# শিজা হোস্পিটাল চুরাচান্দপুর ভিজন সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (এস এন এস)ঃ শিজা আই কিয়র ফাউন্দেসননা মিসন ফোর ভিজন অমসুং ৱেন গিভিং ফাউন্দেসনগী মতেংগা লোয়ননা চুরাচানপুরদা শিজা হোস্পিটালগী ভিজন সেন্টর অমা চেংকোনপাংদা হাংদোকখ্রে।

হাংদোকপগী থৌরম অদুদা এগ্রিকলচর ভেটিনরি এন্দ এনিমেল হস্বেন্দরিগী মিনিষ্টর শ্রী ভি হংখনলিয়ানা চীফ গেষ্ট, ষ্টেট ওপথালমিক শেলগী ষ্টেট প্রোগ্রাম ওফিসার ডা. কে ঐচ রাজেন্দ্র সিংহ গেষ্ট ওফ ওনর অমদি শিজা হোস্পিটালগী চীয়ারমেন কম মেনেজিং ডাইরেক্টর ডা. পালিন খুদোংবমনা প্রেসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

নৌনা হাংদোকখিবা সেন্টর অসিনা চুরাচানপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না হঞ্জিনবদা লৈবা মীয়াম মীৎ লায়েংবদা হেনা খুদোং চাবা ফঙলগনি। সেন্টর অসিদা রিফ্রেকসন কেটারেক্ট, গ্লোক্মে অমসুং মীৎকী লায়না মখল কয়া টেষ্ট তৌবগী খুদোং চাবা পীবদা নৎতনা ওকুলর ইমরজেন্সি সার্ভিস অমসুং অফবা মখলগী অনোকশিং ফঙহনগনি।

চুরাচানপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম্না মীৎ য়েংবগীদমক ইম্ফালদা লাক্তবসু কপ মান্নবা সেন্টর অদুদা য়েংবা য়ারগনি। লোয়ননা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু সেন্টরশিং হাংদোক্লগনি হায়রি।

## কেবিনেট মীফমনা...

*লমায় ১গী মখা ...*তৌদনা লৈরিবা তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭ শুবা সেসন অসি প্রোরোগ তৌনবা ৱাফম অদু কুপ্না খন্নরবা মতুংদা গভর্ণরদা হায়জনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি।

মীফম অসি হয়েং অয়ুক পুং ১০ দা পাঙথোক্লবা লেপ্লম্বনি। অদুবু তঙাইফদবা খরদগী ঙসি নুমিদাং অথুবগী ওইনা পাউ ফাওনরবা মতুংদা ঙসিগী মীফম অদু চত্থখিবনি হায়রি।

ঙসিগী মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর থরগা পুন্না মিনিষ্টর ৭ না শরুক য়াখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টরশিংদি লো অমসুং লেজিসলেটিভ এফেয়ার্স মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর কে শ্যাম, ত্রাইবেল এফেয়ার্স মিনিষ্টর এন কায়িসি, ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হঙ্খানলিয়ান অমসুং এদুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনি।

## আই এ এস ওফিসার টি পানমৈ...

*লমায় ১গী মখা...* ওফিসার টি পানমৈ অমসুং মতম অমদা টি দি এন্দ হিলসকী মিনিষ্টর ওইরম্বা গাইখাঙম কোর্টতগী এন্টিসিপেটরি বেল লৌখি। কায়নথংদা টি পানমৈ অমসুং মহাক্কী লোয়নবী রিতা পানমৈদা পীখিবা এন্টিসিপেটরি বেল অদু সেসন জজ ইম্ফালনা ককখি। অদুগা গাই–খাঙমগীনা মখা তানা এন্টিসিপেটরি বেল পীখি।

মহাক ঙরাং ফারবা তুংদা স্পিসিয়েল জজ প্রিভেন্সন ওফ করপসন ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা ঙসি পুথোকখ্রে। পুলিসকী টিমনা মহাকপু নুমিৎ ৪ নিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা হায়জরকখি। মতম শাংনা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ নীরকপগী মরু ওইবা মরমদি লৈঙাক্কী মহৈশঙগী হোষ্টেল শাবদা থাদগদবা শেনফম লন্নাইগীদা থৈদোক্তুনা শাবগা মরী লৈনবা ফাইলশিং অদু থিদোক্লবগীদমক্তনি হায়খি। অদুবু কোর্ট অসিনা মহাকপু নোংমগী ওইবা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ পীখ্রে।

# ময়াই লম্বী কোলেজগী মহৈরোই ৭০০ গী কেরিয়ার মাঙহনবা য়ারোই, রি এদমিসন তৌহল্লু ঃ কে এস এ

ইম্ফাল, জুলাই ২৩(এস এন এস) ঃ য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা ময়াই লম্বী কোলেজকী ২০১৯–২০২০ সেসনগী মহৈরোই ২০৬১ রোম লৈবগী মনুংদা মহৈরোয় ৭০০ গী এদমিসন রিজেক্ট ওইরে হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা কংলৈপাক ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন্না পাউ ফঙবদগী থিজিল্লুবদা কোলেজ অসিদা মিং চনবগী নমাদা হুরানবা খূৎপু অমা লৈরে হায়বসি খঙবা ঙম্লে হায়না কে এস এ গী জেনরেল সেক্রেটরী সেরাম হেমজিৎনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফালগী খুয়াথোঙদা লৈবা কে এস এ গী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবদা হেমজিৎনা মখা তানা হায়, কুমজা ২০১৯–২০ গী সেসনদা ৱান, টু, থ্রি, ফোর, ফাইব অমদি সিক্স তল্লিবা অপুনবা মহৈরোয় ৭০০ মুক্কী এদমিসন অসি হুরানবা খূৎপু অমনা নিয়ম কাইনা এদমিসন তৌবিরম্বনি।

মতৌ করম্না মহৈরোইশিং অসিগী এদমিসন অসি রিজেক্ট চৎলিবনো হায়না কে এস এ না থিগৎলুবদা, মিং চনবগী নমাদা কলেজ অসিগী হুরানবা খূৎপু অমনা মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী শাজিন্নবা চলাল, সিল অমদি সিগ্নেচর শারগা এদমিসন তৌরম্বনি। কে এস না ময়াই লম্বী কোলেজকী প্রিন্সিপালগসু ৱারী ৱাতাই শান্নখি। প্রিন্সিপালনা ফোঙদোরকপদা, মহৈরোইশিং অসিনা বেঙ্কদা শেল থিমদনা কোলেজতা লাইরিক তম্বা য়াওরম্বনি। অদুবু মহৈরোইশিং অসিদি এদমিসন তৌখ্রবনি হায়দুনা কোলেজ কারকপা ওইরম্বা য়াই।

কে এস এ না মখা তানা মণিপুর রুরেল বেঙ্কদসু চৎলগা অচুম্বা করিনো থিদোকখি হায়রি। এদমিসনগীদমক বেঙ্ক অসিদা শেল থিরম্বা মহৈরোয় মশিং লোয়না এদমিসন তৌখিবগী অপূনবা শেনফম অমদি চলাল মশীং অসি থিদোক্লুবদা মীওই খরনা হুরাল্লে হায়বা খঙলকখিবনি। কলেজগী লৌখিবা চলান মশিংগা বেঙ্কদা লৈরম্বা চলান মশিংগা খেন্নরমখি। কোলেজ অসিদগী পীথোকখিবা ফোর্ম মশীং, চলাল মশীং অমদি এদমিসনদগী কারকপা অপূনবা শেনফম মশীং অসি বেঙ্কদা লৈরম্বা রেকোর্দকা খেন্নরমখি। কোলেজ অসিগী হুরানবা খূৎপু অমনা মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী শাজিন্নবা চলাল, সিল অমদি সিগ্নেচর শারগা মহৈরোয় ৭০০ দগী মিং চনবগী নমাদা লৌখিবা শেনফম অসি লুপা লাক্ষ ২০ রোমনি হায়রি।

কোলেজ অসিদা লৈরিবা হুরানবা খূৎপু অসিগী মথক্তা কোলেজগী প্রিন্সিপালনা এক্সন লৌখৎলু। মহৈরোয় খুন্নাইবু লল্লোন পোৎ ওইনা উবা, মহৈরোইশিংবু ভিক্তিমাইজ তৌবা কে এস না কন্দেম তৌই। মহৈরোয়শিংগী কেরিয়ার মাংহনবা য়ারোই। নোটিফিকেসন অমা থোক্লগা মহৈরোইশিং অসিবু অমুক হন্না রি এদমিসন তৌহনগদবনি হায়নসু দিমান্দ তৌরক্লি।

মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, থা অসিগী ২৪ দা পাঙথোক্কদবা মণিপুর য়ুনির্ভসিটিগী একাদমিক কাউন্সিলগী মীফমগী এজেন্দ ৫ শুবা অমসুং ১৭ শুবা অসি খন্নবা য়ারোই। এজেন্দদা ১৭ দা য়াওবা এম এ মণিপুরীদা চহি অনীগী কোস তৌরিবা এস টি ষ্টুদেন্টশিংদা থাগী স্কোলারসিপ লুপা ৪০০০ পীনবা ৱাফম অসি খন্নবা তারবদি মাষ্টর তল্লিবা মহৈরোয় সেক্সন খুদিংমক্তা হায়রিবা স্কোলারসিপ এমাউন্ট অসি পীনবা খন্নবিয়ু। লোয়ননা এজেন্দ নম্বর ৫ গী হীরম কনসিদেরেসন ওফ দি ষ্টট্টিং ওফ ন্যু দিপার্টমেন্ট হায়বসিসু খন্নবিগনু। খন্নবা তারবদি মণিপুরগী ওইবা হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্টশিং কন্নবা অমদি ঙসিগী নহাশিংদা হিষ্টোরি খঙহনবদা মতেং ওইহনগদবা দিপার্টমেন্ট হাংনবা থৌরাং য়াৎপিয়ু হায়খি।

# বেবিসনা মীশিগী মায়োক্তা পুং ২৪গী মণিপুর বন্দ কৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩(এস এন এস)ঃ ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস সেভেন তল্লিবী চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা স্কুল অসিগী বোর্দিংদা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা শিরগা লৈরম্বা থৌদোক অদুগী মায়োক্ত মীশি অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সিনা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৬তগী থা অসিগী ২৫গী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা পুং ২৪গী মণিপুর পুন্বা বন্দ কৌখ্রে।

জে এ সি না শিল্লগা থামৈবন্দ মীয়াম্না ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবা অদুৱাইদগী হৌরগা খোয়াথোংদগী লিলাশিং খোঙনাংখোঙ ফাওবা থাংমৈবন্দ লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনখি। খোঙজং অদুদা এমসুগী মহৈরোই কয়াশু য়াওশিল্লক্তুনা মশীং য়াম্লবা মীওই চা কয়ানা কোল্লেজ গেট মপাগী থাংমৈবন্দ লম্বীদা ফমজিন্দুনা অচৎ–অওংশিং থিংখি।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা এমসু হেদক্বাটরগী প্রেসিদেন্ট পিটর লাইশ্রমনা ফোঙদোকখিবদা, হোষ্টেল অমসুং বোর্দিংদা লৈরিবা মহৈরোইশিংবু মমা–মপানা সেক্যুর ওইরে হায়না খনজদুনা লৈরিঙৈ চৈরকসিদা অসিগুম্বা মীহাৎ মীপুনগী থৌদোক থোক্লককপা অসি লাইবক থিবনি।

বেবিসনা মীশিগা মরী লৈননা স্কুল অসিগী ওথোরিটি অমসুং লৈঙাক্লা তুমীন্না লৈথোক্লিবা অসি য়ানিংদে। বেবিসনা স্কুল ওথোরিটিনা লৌতুনরগা হাৎপনি। মশা মথন্তা থৌরি য়ান্দুনা শিজবা নত্তে অথুবা মতমদা মীহাৎসিদা চেন্নরিবশিং লোগী ওইবা চৈরাক পীগদবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মহৈরোইশিংনা, মহৈরোই হাৎপা য়ানিংদে, অচুম্বা লংলা–লংজিল পুথোকউ, চেন্নবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়া লাওখি।

তুংদা নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা অদুৱাইদা এদুকেস মিনিষ্টর লাক্তুনা জে এ সিগী মীহুৎশিং উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কী রেস্পোন্স ফজদে হায়দুনা হয়েং ২৪গী অয়ুক পুং ৬তগী মথং নুমিৎ জুলাই ২৫গী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা পুং ২৪গী মণিপুর পুন্বা বন্দ তৌবনি। অদুবু বন্দ মনুংদা অনা লায়েং, লাইনিং–লাইশোন অমদি মৈহৌ–লাংপোক্লা মরী লৈনবশিংদি কোমথোক্কনি। চিংননিঙাই ওইরবা মীশি অসিগী অচুম্বা পুথোকপদা লৈকাই–লৈকাইগী ক্লব, মৈরা পায়বী, সি এস ওশিং অমদি মহৈরোই লূপশিংনা মতেং পাঙবিয়ু হায়না জে এ সিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## বেবিসনা মীশিগী মতাংদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (এস এন এস)ঃ ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী বোর্দিংদা লৈবী মহৈরোয় নুপীমচা অমা লৈখিদবগী মায়োক্তা মীশি অসিগী অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোকপিয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা পাউনা বাজারগী গভর্ণর রোদ পরিংদা লৈবা দুকানশিং থোং লোন্দুনা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাইখোম ইন্দ্রমনি কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা, হন্দক কাঞ্চিপুরদা লৈবা ষ্টেন্দর্দ রোবার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী বোর্দিংদা স্কুল অসিমক্তদা তল্লিবা মহৈরোয় নুপীমচা অমা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈখিদবা অসি য়াম্না পেন্দে। মীশি অসিগী মতাংদা নুপীমচা অসিবু করিগীদমক মতৌ করম্না হাৎলিবনো হায়বসি থিদোকপিদুনা অথুবা মতমদ অচুম্বা লংলা লংজিন লৈঙাক্লা পুথোকপিয়ু হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না লৈখিদ্রবী মহৈরোয় নুপীমচা অসিগী অচুম্বা লংলা লংজিন অথুবা মতমদা পুথোকপিয়ু, ঐখোয় অচুম্বা ৱায়েল পাম্মী, লৈখিদ্রবী নুপীমচা অসি চিংননিংঙাই ওইবা মীশি অসিগী ৱারোইশিন পুথোকপিয়ু, মীশি অসি য়ানিংদে হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং থাবা প্লে কার্দশিং শিজিন্নখি।

## এৱার্নেস কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (এস এন এস)ঃ মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা থোক্লকপা মতমদা খুদক্কী ওইবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাং হায়বা হিরম অসিদা এৱার্নেস কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী বি এস সি ক্লব, বম্মোন লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী এৱার্নেস কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট ৱাঙ্গনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি। এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুদা ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটিগী ভলুন্টরিশিংনা মীয়ামদা দেমোষ্ট্রেসন কয়াসু উৎখি।

এৱার্নেস প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট ৱাঞ্চকী মেম্বর প্রেমজিৎ নাওরোইবম্না হায়খিবদা, অসিগুম্বা এৱার্নেস কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি ষ্টেট অসিগী ওইনা পুন্না মফম ২০ দা পাঙথোক্কদবনি। ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্টকী য়াইস্কুল এ সি গী মনুং চল্লিবা বম্মোন লৈকাই অসিদা ৮ লক শুবা ওইনা পাঙথোকপনি। প্রোগ্রাম অসি হয়েং ফাওবা নুমিৎ নীনি চপ্পা চত্থগদবনি।

নুমিৎ নীনি চত্থগদবা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অসি মহৌশাগী ওইবা মখল অমত্তগী খুদোংথিবা থোক্লকপা মতমদা মদুনা মীওইবদা অৱা অনা তাহনবা মতমদা হোস্পিটাল য়ৌদ্রিঙৈ ঐখোয়না করি করম্বা ফার্ষ্ট এইদ পীগদগে হায়বদু মীয়ামদা খঙহনবগী পান্দম্নি। মমাঙদসু ষ্টেট ফোর্স অমদি পেরামিলিটরি ফোর্সশিংদা প্রোগ্রাম অসি পায়খৎখ্রে। নুপা নহানা থবক ইংখাং চৎথোকখ্রিঙৈ মতমদা য়ুমদা লৈহৌরিবা নুপী অঙাংশিংনা অসিগুম্বা অৱা অনা কয়া অসি থেংননবা মখোয়দা ৱাখল্লোনশিং লৈহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপা এৱার্নেস প্রোগ্রামনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## প্রাইভেট বোর্দিংশিংগী মরমদা খন্ন নৈনগনি ঃ সুক

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (এস এন এস)ঃ প্রাইভেট বোর্দিংশিং করম্না চলাইববগে অমদি বোর্দিংদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংবু করম্না থমগনি অমদি করি করি কান্নবা পীগদবগে হায়বগী মতাংদা নোংমগী ওইবা লৈবাক মীয়ামগী খন্ন নৈনবগী থৌরম অমা লাক্লিবা জুলাইকী ২৮ দা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেন্দা পাঙথোক্লগনি হায়না ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক্কী প্রেসিদেন্ট ধনকুমার নিংথৌজম্না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি সুকনা মণিপুরদা চলাইরিবা স্কুল অমদি লন্নাই মীওইশিংগী বোর্দিং য়েংশিন্দুনা লাকখিবা অদুগী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী ময়াই লম্বীদা লৈবা লিট্টর মাষ্টর স্কুলগী বোর্দিং য়েংশিল্লুবগী খোঙচৎ অমগা মরী লৈননা লূপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, ঙসিগী খোঙচৎ অসিদগী মহৈরোয়শিংদা থক্নবা ঈশিং ফিল্টর তৌদুনা পীবা, বোর্দিংগী কাশিংদা ফান অমসুং দরকার ওইবা পোৎলম লৈতবা, অকোয়বদা ফৎতা হাওদি লংথোকপা অমসুং টোইলেট বার্দরুম মতিক চানা লৈতবা অদুমক থেংনরকখি।

বোর্দিং করম্না চলাইগনি অমসুং মহৈরোয়শিং করম্না থমগনি হায়বগী খন্ন নৈনবা অসি তঙাই ফদবা লাকপদগী লূপ অসিনা মীয়ামগী খন্ন নৈনবগী থৌরম অসি শিনখিবনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# কৈশামথোং এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী লম্বীশিং অথুবদা শেমজিল্লগনি ঃ জয়েন্তকুমার

ইম্ফাল, জুলাই ২৩ (এস এন এস)ঃ কৈশামথোং এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা শেমজিনদ্রিবা লম্বীশিং ঈশিংগী পাইপ লাইন তিংবা লোইরবা মতুংদা অথুবদা শেমজিল্লগনি হায়না কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিগী এম এল এ সু ওইরিবা মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অসি ঙসি এম ও বি সি গী মখাদা অনীশুবা ফেজকী ওইনা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিগী বিনিফিসরিশিংদা তেলোরিং মেছিন, ইম্বোইদরি মেছিন অমসুং জি আই সিট য়েন্থোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি। মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কৈশামথোং কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসি হৌখিবা চহী কয়াদা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিগী মীহুৎ ওইরম্বশিংনা নিংথিনা শেমজিনবা ৱাৎখিবনা মরম ওইরগা হিরম কয়াদা শোত্থবা ওইরকখিবনি। কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসিগী এম এল এ অমা ওইনা মহাক্লা শেমগৎনিংবা কয়াসু মরক্তা ভোৎ কাদবা কয়া য়াওখিবনা মওং তানা শেমগৎপা ঙমখিদবনি। পায়খৎকদবা থবক কয়াসু নোং চীংগী ফিভম ফৎতবনা থিন্থদুনা লাক্লি। মরম অদুনা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অসি চাওখৎনবা হোৎনবদা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা পুন্না চাওখৎনবা হোৎমীন্নসি। মহাক্লা পায়খৎলকপা থবক্তা শৌগৎপিয়ু হায়না আপিল তৌখি।

# প্রাইভেট বেঙ্কশিংনা ২ কাবিদগী হেন্না শেন্দোয় লৌরোইদবনি ঃ এম সি

ঙরাংগী মখা... অমদি লোন অসি করিগীদমক লৌগদৌরিবনো হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংনা খঙগনগদবনি।

মণিপুরদদি লোন শার্ক হায়বদি শেন্দোয় চাওনা লৌরগা মীগী মরল মথুম মুনবা য়াম্না মীনুংশি লৈতবা থৌদৌদা অমদি অকল অরিং শিংদুনা চত্থরক্লি। মরম অদুনা তৌহৈদবা কয়া অসি কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি মিলিটরি কাউন্সিলনা মখা তানা শুম য়েংদুনা লৈথোক্লোই। ঙল্লিঙৈ মতমদগী ফিরেপ অসি লৌনবা য়াম্না কন্না হোৎনজরখি অদুবু লূপ অসিগী তংদু লৈতাদবা ফিভম্না পাঙথোক্লিংবা থবকশিংদু পাঙথোকপা ঙমখিদে। অদুবু কে সি পি – এম সি না ঙসিদি ৱাখল্লোন মান্নবা লূপশিংগা লোয়ননা পুন্না হোৎমীন্নদুনা ফিভম শেমগৎপা ঙমজরবনিনা মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনরগনি। প্রাইভেট বেঙ্কশিংনা হৌখিবদা শেন্দোয় চাওনা লৌরম্বা অদু মখা তানা লৌবা য়াররোই। চাদ অনীদগী হেন্না লৌবা হায়বদি অনী কাবীদগী হেন্না লৌবা প্রাইভেট বেঙ্কশিং থিংজিল্লগনি। লোন লৌবা মতমদা চংবা শেনফম মরু ওইনা প্রোসেসিং ফ্রি অসি মরম শুকচা চাদে অদুম ওইনমক চাদ অনী ফাওবা লৌদুনা মশানা মশাবু থবক পীজবগী ৱাখল্লোন অদু মায় পাক্লবা হোৎনবদা লূপ অসিনা অথিংবা পীরোই। ঐখোয় মশেল অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা হিংমীন্নবগী ৱাখল্লোন অমদা খুন্নাই অসি শেমগৎমীন্নগদ্রা হায়রগা অমনা অমগী চরম মেৎনবসিদি অচুম্বা ৱাফম নত্তে। লাইরবশিংসু হিংহল্লু অমদি চেনজা চোংজরিবা বেঙ্ককী মীওইশিংসু মহৈ ফংজসনু অদুবু লাইরবা মীয়ামদা নমথাক অমগী মথংদা নমথাক অমা তৌদুনা লাইরবা মীয়ামগী ঈ চুপ্পসিদি কে সি পি – এম সি না কৈদৌনুংদা মখা তানা তুমীন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। কে সি পি – এম সি না চঙশিল্লক্লিবসি বেঙ্ক মুখৎলগে হায়বা নত্তে নৎত্রগা মখোয়না শেন পায়বগী কল্লক্তুনা মুখৎনবা হোৎনবসু নত্তে। লৌরিবা ফিরেপ অসি লাইরবা মীয়ামগী ঈ চুপ্পা থিংনবনি। অনী কাবীদগী হেল্লম্বশিং লূপ অসিনা খুদক্তা অথিংবা থল্লগনি। নাকল্ল অমরোমদা লমজিংবা ফাইনান্সনা লৈসি লৈথোন্না লৈতেংলগা লূপ অসিনা থমখিবা ৱাফমদা তরাইনা লৌরিবসি চপ চানা পাউখুম অমা পীরোইদবগী মরম লৈতে। পুং ৪৮ গী মনুংদা চপ চাবা ৱাফম অমা লূপ অসিদা খঙহনদ্রগদি কে সি পি – এম সি না চত্থফম থোকপা থবকশিং চত্থরগনি হায়রি।

# চল্লাইবা তোকখিবদগী সেমি লো ফ্লোর বস ১২ তাদুনা...

*লমায় ১গী মখা* মখা থংবা শরুকশিং নাপী হৌজিল্লগা লৈখ্রে। লিন–কাঙগী মকোল ওইখিবনা মী চঙলগা য়েংবা ফাওবা হঙ্গোইনরে।

হীরম অসিগী মতাংদা এম এস টিদা ও এস দি ওইরিবা পোলেম লেনিননা পাউচে অসিদা হায়, কুমজা ২০১৭ গী জুনদা এম এস টি অসি নৌনা রেভাই হেক তৌরকপদা এস এল এফ শিং অসি শিজিন্নদুনা লমদম অসিগী চীং অমদি তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সার্ভিস তৌবা হৌরম্লবদি। অদুবু হায়রিবা বস অসি থাউ য়াম্না চাবা, লো ফ্লোর ওইবা অমদি বস অসি কা হেন্না শাংবা মরম্না মণিপুরগী অপিকপা লম্বীশিং অসিদা থৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মরুম মায়োক্লখি।

মসিদসু নত্তনা মেন্টেনেন্সতা শেল য়াম্না চংবা মরম্না বস মখল অসি সার্ভিস তৌবা মতমদা রেভিন্যু কাবগী মহুত্তা কা হেন্না দিফিসিট তারকপদগী বসশিং অসি হৌখিবা ২০১৮ গী সেপ্তেম্বরদগী শিজিন্নবা লেপখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌজিক বসশিং অসিগী মহুত্তা ষ্টার বস উলত্রাশিং লৈদুনা এম এস টি না সার্ভিস তৌরি। অতৈ লন্নাই বস সার্ভিসশিংগা য়েংনবদা এম এস টি গী বস সার্ভিসসিনা মমল হোংবা মরম্না মীয়াম্না পাম্নবা অমদি ওইরে। হৌজিক হৌজিক এম এস টি গী মখাদা মোরে, জিরিবাম, চান্দেল, ফেরজোলনচিংবা চীংগী লমশিং য়াওনা বস ১৮ সার্ভিস তৌরি। অদুবু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা সেল কয়া থাদদুনা লৈখিবা বসশিং অসি করিসু শিজিন্নদবা অসি অদুমক নোংখাং চাইদুনা মাংহনখ্রগদরা? কা হেন্না শাংবা অমদি ফ্লোর য়াম্না নেম্বা বস মখল অসি মণিপুরগী লম্বী থোঙগী ফিভম অসিদা শিজিন্নবা খুদোংচারোই হায়বসি গভর্ণমেন্টনা খন্থহৌদবরা হায়বসি মীয়াম্না নাকল কয়াদগী হংনরক্লি।